**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30.06.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি- মণিপুরগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা মরী লৈনবা পুমমকা অমগা অমগা মতেং পাংনবগী তঙাইফদবা লৈ।

২) হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জননা হায়রি- মণিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি শিংদাকপগী ৱাফম লৈতে, সোসিয়েল মিদিয়াদা লান্না শন্দোক্লিবশিং মীয়ামা থাজবীগনু।

৩) মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- মণিপুরদা জ্‌লাই ৪ ফাওবদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং কন্না চুরবা য়াই।

৪) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী সংবিধান অমদি গনতন্ত্রগী থৌশিলবু মীয়ামা থাজবদগী হৌখিবা লোক সভা মীখল অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা মীখল ওইখি।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিগী অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম হয়েংদগী চৎনবা হৌরগনি।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি- মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা মরী লৈনবা পুমমকা অমগা অমগা মতেং পাংনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোই খোঙনাং খোঙদা লৈবা মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্তর রিলিফ কেম্পতা চখুরকপা নুমিৎ ১৫ নিগী সম্মর চিলদ্রেন থিয়েটর ৱার্কসোপ লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্যপালনা হায়- হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা রাজ্য অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা চৈথেং পীরি। মসিদা নুপী অমদি অঙাংশিং হেন্না অৱাবা চৈথেং ফংলি। মখোয়বু মীনুংশিগা লোয়ননা ঙাক শেনবীবগী তঙাইফদবা লৈ। রাজ্যপালনা মখা তানা হায়- পাঙথোক্লিবা থিয়েটর ৱার্কসোপ অসিনা অঙাংশিংগী পুকিং ৱাখলদা খরদা ওইরবসু নুংঙাইহনবা ঙমহল্লি। মণিপুরদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা হোৎনবদা লৌখৎলিবা খোঙথাং পুমমক ষ্টেগ হোল্ডরশিংবু মতেং পাংবীনবা রাজ্যপালন আপীল তৌরি। রাজ্যপালনা ৱার্কসোপ অসিদা শরুক য়ারিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা অঙাং ১২০ অমদি মখোয় মমা মপাশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

ৱার্কসোপ অসি নেসনেল স্কুল ওফ ড্রামা নিউ দিল্লি, নেসনেল স্কুল ওফ ড্রামা তাইহৈ ত্রিপুরা, খেনজোংলাং অমসুং রাজ্য সরকারগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা পুন্না শিনবনি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার টি. গুনিন্দ্রো, খেনজোংলাংগী দাইরেক্তর থানিল লৈমা অমদি সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

রঞ্জন (এল)ঃ হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জননা হায়রি- মণিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি শিন্দোকপগী ৱাফম লৈতে। মসিগী মতাংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা লান্না শন্দোক্লিবশিং অসি মীয়ামা থাজবীগনু।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুরেম্বম অৱাং লৈকাইদা লৈবা দি.ৱাই.সি কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- ওন্তরপ্রেন্যুর অমা ওইবা নত্রগা থবক অমা তৌরিবা মীওইশিংনা মতমগী মমল খঙনা চৎলবা মতমদতা থবক অদু শোইদনা মায় পাক্কনি। লমদম অমা চাওখৎপা হায়বসি লমদম অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা মতম মাংহনদনা মতমগী মমল খঙনা থবক তৌরবতদা ওইথোক্কনি। মহাকা

হায়- লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা মীয়ামা উমং ৱামং কোকথোকপা তোক্তুনা মহৌশাগী ফিভম হোংলক্লিবা অসিদগী কন্ননবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে।

থৌরম অদু রাজ্য সরকারগী ফিসরি, এগ্রিকলচর, হোর্তিকলচর, ভেটরিনারি, হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলস বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা অনৌবা শেনমিৎলোন্না শিনবনি।

ইন্দিয়া ব্লোক (এল)ঃ  ইন্দিয়া ব্লোক মণিপুরগী কনভেনর ক্ষেত্রিময়ুম শান্টনা হায়রি- মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি মণিপুরগী কংগ্রেসকী এম.পি অনিনা সংসদকী মনুং অমসুং মপানদা পুথোক্তুনা নীংথিনা খঙহনগনি।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা শ্রী শান্টনা হায়- মণিপুরগী এম.পি. অনিনা ইরাং অসিগী মতাংদা পুখৎতুনা ৱা ঙাংননবগী অহেনবা মতম পীবীনবা হায়জবদা কংগ্রেসকী হাই কম্মান্দনসু মতম পীগনি হায়বগী থাজবা পীরকপা লৈরে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সি.পি.আই লুচিংবা লাইশ্রম সোতিন কুমারনা হায়- চহি অমা হেল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং অসি হৌজিক পাল্লিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা অথুবা মতমদা রাজনীতিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনফম থোকই। ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম অচৌবা অৱাবা মায়োক রি। গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা হন্দক পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফমদা মণিপুরগী মুখ্য মন্ত্রিবু য়াওহনখিদবা অদুবু মহাকা য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

সিপিআই (এল)ঃ  সংসদকী মীফমদা পীখিবা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী ভাষনদা মণিপুরগী ওইবা ৱাফম অমত্তা পনখিবদবা অদুবু সি.পি.আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা পেন্দবা ফোংদোরক্লি।

দল অসিগী চেরোল অমনা হায়- ঙসি পাঙথোকখিবা সি.পি.আইগী লোকেল কনফরেন্সতা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি লৈবাক অসিগী রাজনীতিগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে। মীফম অদুনা কেন্দ্র সরকারনা মণিপুরগী

ৱাথোক অসিবু লুমা লৌদবগীদমক নুংঙাইতবা ফোংদোকখি।

অমরোমদা মণিপুর পিপলস পার্তি (এম.পি.পি)নসু সংসদকী মীফমদা রাষ্ট্রপতিনা পীখিবা ৱারোলদা মণিপুরগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পনখিদববু নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

মেট (এল)ঃ মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং কন্না চুরবা য়াই। তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, জিরিবাম অমসুং ফেরজোল জিলাগী মফম অয়াম্বদা মথং থাগী ৬ ফাওবা নোং কন্না চুরবা য়াই। রাজ্য অসিগী অতৈ জিলাশিংদসু লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা নোং চুগনি হায়রি।

এৱার্দ (এল)ঃ ২১ রক শুবা আর.কে. সনাতোম্বা জরনেলিষ্ট এৱার্দ, ২০২৪ শঙাই এক্সপ্রেসকী পাউমী খরিবম য়াইফবদা পীখ্রে। মনা অসিদা সাইতেসন অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫ য়াওরি।

আর.কে. সনাতোম্বা মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা শিন্দুনা চহি খুদিংগী লেপ্পুনা পাঙথোকপা আর.কে. সনাতোম্বা মেমোরিয়েল জরনেলিষ্ট এৱার্দ অমদি কংলা লানপুং ভোল্যুম ১৫ ইস্ ৱান ফোংবগী ঙসি কোনুং হিজিগাং লম্বীদা লৈবা কোন্বীরৈ হাউসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এৱার্দ অসি খুৎশিন্নখিবনি।

মনা (এল)ঃ অহানবা এলাংবম শখি দেবী নিংশিং মনা ঙসি এলাং খাংপোকপীগী ইবুধৌ তাংজা লিলা পাখংবা কম্যুনিতি হোলদা য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা হন্দক পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্ভ পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম পীখি।

দেদ (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী খাঙবোক পার্ট ৱান শোরোক মমাংদগী থোকচোম ইবোমচা কৌবা মীওই অমা ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলোং চজিং লৈশাং হিদেনদা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বগী থৌদোম অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ঙসি মীয়ামা ইম্ফাল-মোরে লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখ্রে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- মীশি অসিগী মতাংদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্কুনা জে.এ.সি অমা শেমখ্রে। জে.এ.সিনা তাল্লিবা দাবীশিং থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌখিরোই হায়রি। মীহাৎপশিং ফাবীনবা মীয়ামা থৌবাল জিলাগী দি.সি অমসুং এস.পিগী খুথাংদা মেমোরেন্দম অমসু মুখ্য মন্ত্রিদা পীশিনখ্রে। মীশি অসিগী মতাংদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্তেমগীদমক জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

গাড়ি (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মুতুম ফীবৌ অমসুং ইরোং খুনৌ অনিগী লোন্নবদা ইম্ফাল তুরেলদা শাবা য়োৎকী থোং অমা ঙসি অয়ুক তেকপদগী ত্রক গাড়ি অমা তুরেলদা তাশিনখ্রে। থৌদোক অদুদা মীওই ৩ অশোক অপন নংখি। গাড়ি অদুগী দ্রাইভর থীবা খঙদ্রি হায়রি।

ঙা (এল)ঃ লোক্তাক পাৎতা ঙা মরুম কোকপা মতমদা অমসুং ইলেক্ত্রিকী খুৎশু খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা পাৎ অসিদগী ঙা ফাবা থীংনবগী মতাংদা কম্ম্যুনিতি আউট রিস প্রোগ্রাম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গাদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প (এল)ঃ তিনজং কাইজংদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা পান্দমদা নরায়ন হোস্পিতাল গুৱাহাতি, লাইনিংথৌ শঙ শঙ নিংথৌ শেবা কমিতি নিংঙোম্বম অমদি লাঙ্গোল ভিউ হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিতেদনা পুন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নিংঙোম্বম জ্নিয়র হাইস্কুলদা ঙসি লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং য়াওনা মীওই ৩০০ রোম লেমা লায়েংখি।

চান্দেল (এল)ঃ নেসনেল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা চান্দেল জিলাবু বেষ্ট পার্ফোমিং দিষ্ট্রিক্ট এৱার্দ পীরকখ্রে। অঙাংশিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী ঙাকথোকবা অমদি আইন্না য়াদবা মওংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং

লল্লোনবা থিংবদা জিলা অসিনা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙলদুনা এৱার্দ অসি পীরকপনি। চান্দেলগী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমারদা মনা অদু খুৎশিন্নরকখিবনি।

হার (এল)ঃ মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন ফেজ ফোরগী মখাদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা সনালৈবাক ওর্গানিক ফারমর প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিতেদকী লৌমীশিংদা চাকহাউ অমদি চনাল থানবগী ফৌদি মরু অমদি ওর্গানিক্কী ওইবা হারশিং য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৌমীশিংবু করম া মায় পাকা ওর্গানিক্কী ওইবা পোত্থোক চাথোক পুথোক্কুনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইনবগী মতাংদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

বিষ্ণুপ্র্ (এল)ঃ কৈনৌ মৈরা পায়বীশিংনা ঙসি কৈনৌ থোংখাদা হৌজিক হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবদা ৱারোইশিন অমা পুরকউ হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ককচিং ঃ কৈরক য়ুনাইতেদ দিভলপমেন্ত এসোসিয়েসন কৈরক গ্রাম পঞ্চায়ট অমদি কৈরক অপুনবা মৈরা পায়বীনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি কৈরক অৱাং শালম অমদি কৈরক ৱাবগাই চৈরাও চীংদা উ থাখ্রে। ঙসি উ থাবগী থৌরম অসি থা অসিগী ৫ দগী চথ্খরকপা থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি।

উ থাবগী থৌরম অদুদা রেঞ্জ ফোরেস্ত ওফিস ককচীংগী ষ্টাফশিং ,কৈরক ৱাবগাই জিলা পরিষদকী মন্বের এস.ধানবির কৈরাক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ই. শান্তি লৈমানচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সঙ্গৈৎ (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা লৈবা শওম্বুং সঙ্গৈৎ লিংখৎখিবগী দাইমন্দ জ্বিলি থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি শওম্বুং কম্ম্যুনিতি হোলদা সঙ্গৈৎ নচোম থৌরম পাঙথোকখ্রে। মদুদা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈনচিংবা উৎখি।

মনকিবাটঃ প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী সংবিধান অমদি গনতন্ত্রগী থৌশিল অসিবু মীয়ামা তশেংনা থাজবদগী হৌখিবা লোক সভা মীখল অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা মীখল ওইখি। মীখল অদুদা মীওই কোতি ৬৫ রোম ভোৎ থাদখিবা অসি মালেমগী অতৈ মফমদা পাঙথোকপা থেংনদ্রি। মসিগীদমক প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

অকাশবানিগী থোঙদা ঙসি শন্দোকখিবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১১১ শুবা মনকি বাটকী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- পেরিস সম্মর ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা ভারতকী কন্টিঞ্জেন্টশিংনা গেমস অসিদা চাউনা মায় পাক্লক্কনি হায়না লৈবাক অসিগী মীয়ামা থাজবা থল্লি। মমাংগী টোকিও ওলিম্পিক্স গেমসদা ভারতকী শান্নরোইশিংনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা ভারত মচা খুদিংমক্কী পুকিং খুদম চনখিবনি। টোকিও ওলিম্পিক্স হেক লোইখিবদগী হৌনা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিং পেরিস ওলিম্পিক্কীদমক শেম শাবা হৌখ্রবনি। গেমস অসিদা শরুক য়াগদবা শারোইশিংবু প্রধান মন্ত্রিনা য়াইফ পাউজেল পীরি।

হন্দক পাঙথোকখিবা ১০ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎকী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- যোগ দিবস পাঙথোকপা খুদিংগী অনৌ অনৌবা রেকোর্দ কয়া থন্বা ঙল্লি। মহাকা হায়- যোগ হায়বসি নোংমতংগী ওইবা থৌওং ওইহনগুমসি, হকচাং শাজেল ওইনা নুমিৎ খুদিংগী শান্নবিয়ু, মসিনা ঐখোয়গী পুন্সিদা অহোংবা কয়া পুরকপা থেংনগনি। লমদম অসিগী পোখোক, লোকেল প্রদকশিং, মালেমগী মফম কয়াদা য়ৌবা ঙমহল্লকপদা চাউথোকচাবা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা অন্দ্র প্রদেশতা ফংলিবা অরাকু কোফিগী মতাংদা মসিগী থোইদোক হেন্দোকপা মহাও অদুবসু শিংথারি। লোকেল প্রদকশিংবু গ্লোবেলগী থাক্তা পুখৎপদা জম্মু কস্মীরগী মীয়ামা লৌরিবা থৌদাংবু শিংথারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা পুলৱামাদা লোকখিবা ইস্নো পিজ লন্দন ফাওবদা য়ৌহনবা ঙম্লে হায়খি।

লাক্কদৌরিবা হরাও কুম্মৈ কয়া অসিগা মরী লৈননসু প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামদা য়াইফ মঙ্গোল পীরি । অফবা, কান্নগদবা থৌওংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মীয়ামা অতোপ্পশিংদসু খঙহন্নবসু শ্রী মোদিনা হায়রি । লৈবাক অসিগী সংবিধান

অমদি লোকতন্ত্রাগী থৌশিল কয়াবু থম্মোইশেংনা থাজবা থম্বগীদমক শ্রী মোদিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু থম্মোইশেংনা থাগৎপা ফোংদোক্লি।

এক্ট ঃ ক্রিমিনেল লো অহুম- ভারতিয়া নিয়াই সংহিত্যা ২০২৩, ভারতিয়া নাগরিক সুরক্ষা সংহিত্যা ২০২৩ অমসুং ভারতিয়ানা শকশ্যা আধিনিয়ম ২০২৩ হয়েংদগী চৎনবা হৌরগনি।

হায়রিবা বিল অহুম অসি মমাং চহিগী সংসদকী নিংথম মীফমদা পাস তৌখ্রবনি। অনৌবা লোশিং অসিনা ভারতকী নাগরিকশিংদা অহেনবা শক্তি পীননবা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইরগনি। মসিনা মীয়ামদা অচুম্বা ব্রায়েল ফংহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি। ক্রিমিনেল লোশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মরুওইবা খুদোংচাবশিং অদুদি- ওনলাইনগী খুত্থাংদা থৌদোক অমগী মতাংদা রিপোর্ট তৌবা য়াহনবা, পুলিস ষ্টেসন অমা হেক্তদা এফ.আই.আর ফাইল তৌবা য়াহনবা, নুপী অমসুং অঙাংদা চথবা ক্রাইমশিং থা অনিগী মনুংদা লোইশিনবনচিংবা য়াওরি।

লো অহুম অসি চৎনবা হৌবগী থৌরম মণিপুরদসু হয়েং পাঙথোক্কনি। মপুংওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী পেলেস ওদিতোরিয়ামদা পাঙথোক্কনি।

আর্মি চীফ ঃ জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা ভারতকী চিফ ওফ আর্মি ষ্টাফ ওইনা ঙসিদগী থবক পুবা হৌরে। ইং ১৯৮৪ গী দিসেম্বর১৫ দা জম্মু কস্মীর রাইফলসতা কম্মীসন ওফিসর ওইনা থবক চংখিবা উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা হৌখিবা চহি ৪০ রোম অসিদা লান্মীগী তোঙান তোঙানবা ফম কয়া পায়দুনা থবক তৌরকখি।

কাং (এল)ঃ য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎনা অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জবিহারি শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্র ব্রাইস কাং তুরনামেন্টকী ৱিন্নর ওইরে। শিংজমৈ কাংখুৎনা শিন্দুনা চথরকপা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা

ফাইনেল মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎনা ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ২০-১৭ তা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। তুরনামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়ারনা ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎকী এ. ওপেন সিংহনা তারে।

ফুটবোল (এল)ঃ   দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা দি.এস.এ ককচিংদা চত্থরিবা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে.এন.এস.দব্লিউ.সি কৈরকনা এস.এ.ও ককচিংবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

গ্রাউন্দ অসিদা শান্নবা ২০ শুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জে.এ ককচিংনা এ.কে.এস.এ খা খুনৌবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি।

তাইকুন্দো (এল)ঃ   তামিলনাদুগী সালেমদা পাঙথোকখিবা অহুমসুবা নেসনেল ওপন তাইকুন্দো চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবী মোইরাংথেম থোইবীসনাবু ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাই য়ুথ ক্লবনা ঙসি তরামা ওকখ্রে। ক্লব অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শান্নরোই অসিগী কোচ নাওরেম রঞ্জিৎপুসু ইকায় খুমবা উৎখি।

য়াৱা (এল)ঃ   অসামগী হোজাইদা পাঙথোকখিবা বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেলেন্ট ছার্স ৱিংনা শিনবা বাস্কেটবোলগী টেলেন্ট স্কাউন্তিং প্রোগ্রামদা মণিপুরদগী শান্নরোই অহুম খল্লকখ্রে। মসিদা শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইগী শান্নরোই অনি য়াওরকপদা য়ুথ এমেচর ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

------